# চাইনাগী অঙাং অমখক্তমক পোক্কদবনি হায়বা থৌশিল থুপচিনখ্রে



অঙাং ২ পোকপা য়ারগনি হায়বা চাইনাগী থৌশিলদা হরাওবা ফোংদোক্লিবী মমা ওইবীশিং

**বৈজিং, ওক্তোবর ২৯ঃ**
চাইনাদা য়ুম্বাল্লবা মীওইশিংনা অঙাং অমখক্তমক পোক্কদবনি হায়বা চহি কয়া চৎনরক্লবা ফেমিলি প্লানিংগী অকনবা অথিংবা কোমথোক্তুনা মতৈ-মনাও অমনা অঙাং অনি পোকপা য়ারগনি হায়না সরকার পায়রিবা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা ঙসি লাওথোকখ্রে।

লৈবাক অদুদা শেল-থুমগী ফিভম ফগৎলকপা য়েংলগা থৌশিল অদু হোংদোকপনি। অনৌবা চৎন-কাঙলোন অসিনা লৈবাক অদুগী অকনবা ফেমিলি প্লানিংগী অথিংবদগী মনিং তম্বা ফংগদবা অচৌবা খোঙথাং অমনি। থৌশিল অসিগী মখাদা অঙাং অনি ফাওবা পোকপা য়াবগী খুদোংচাবা পীরগনি।

লৈবাক অদুদা অখঙ-অহৈগী মশিং য়ামখৎলকপগা লোয়নননা চৎন-কাঙলোন অদু শেমদোক্লবা সরকারদা তকশিনখি। লৈবাক অদুদা মীশিং কা হেন্না য়ামখৎলকপগী শাথিবা ফিভম অমা লাকপদগী ইং ১৯৭০ দা য়ুম্বাল্লবা মতৈ-মনাও অমনা অঙাং অমখক্তমক পোক্লবা থৌশিল অদু ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লাক্লিবনি। অদুগুম্বা চৎনবী অদু মতমগা চুন্নদবা অমনি হায়না ফোংদোক্লরকপা লৈখি।

ইং ২০১২ দা অহানবা ওইনা অহল ওইবা মীগী মশিং খঙহেন হেনগৎলকখি। চাইনাদা মীওই অয়াম্বা শেল থুমগী খুদোংচাবা ফংদ্রিঙৈ হায়বদি ইনাক খুনবা অমা ওইদ্রিঙৈদা অহল ওইশিল্লকপগী খুদোংচাদবা থেংনবা মালেমগী ওইনা অহানবা লৈবাক ওইরি। লৈবাক অদুগী মরুওইনা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লমদম অদুগী শেল-থুম অমসুং মীশিং হেনগৎলকপগী চাং কুপ্লা খন্নরবা মতুং অনৌবা থৌশিল লাওথোকখিবনি।

চাইনাদা মতৈ-মনাও অমনা অঙাং অনি পোকপা য়ারগনি। চহি কয়াগী মমাংদগী অঙাং অমখক্তমক পোক্লনবগী থৌশিল অদু চৎনরকখ্রবা মতুং নৌনা শেমদোরকখিবনি হায়না চাইনাগী ওফিসিলে ন্যু এজেন্সি জিন হুৱানা রিপোর্ট তৌরক্লি।

অদুম ওইনমক থৌশিল অদু করম্বা মতমদগী অকক্লনা চৎনবা হৌগদগে হায়বদুদি চপ চানা ফোংদোরকখিদে।

ইং ২০১৩ দা শেমদোকখিবা থৌশিল অমগী মতুংইন্না অনৌবা থৌশিল অসিগা পুনশিন্নদুনা অঙাং অমখক্তমক লৈবা মমা-মপাশিংনা অনিশুবা অঙাং ফংবা য়ারগনি। লৈবাক অদুগী অখঙ-অহৈ কয়ানা ফোংদোরকখিবদা কোমথোক্লিবা থৌশিল অসি খ্বাইদগী পীকপা অমনি অদুগা মতমসু থেংথমল্লে। মসিনা লৈবাক অদুগী শেল-থুম অমসুং সোসাইটিদা নেগেটিভ ইফেক পীরকপা য়াই হায়রি।

চাইনাদা চৎনখিবা আইন অদুগী মতুংইন্না অঙাং অমদগী হেন্না পোকপা মীওইশিং ফাইন তৌবা, থবক তৌবা ওইরগনা লৌথোকপা অমদি করিগুম্বা কান্দা মমাশিংবু নমদুনা অঙাং য়ৈথহনবগী থৌশিল চৎনহনখি হায়রি।

# ছোটা রাজন ইন্দিয়াদা হল্লকপা পাল্লি

**বালি, ওক্টোবর ২৮ঃ**
চহি ২০ হেন্না মীচেন ওইদুনা লাকখ্রবা ফারবা অন্দরৱার্ল্ড দোন ছোটা রাজননা শগোলশেল নুমিৎতা মহাক সরেন্দর তৌবা নত্তে, ইন্দিয়াদা হনবা পাম্মী হায়না ফোংদোকখ্রে।

ফারবা গেঙষ্টর অদু তোঙান-তোঙানবা-মী হাৎপা, হুরানপোৎ লল্লোনবা অমসুং ড্রগ পুথোক-পুশিন তৌবগী কেস ৭৫ দা চেন্নবদগী ইন্দিয়ান সেক্যুরিটিনা ফাননবা হোৎনখিবা মীওই অমনি।

ৱাথোক লান্থোক কয়া থোকহনবগী মকোক দাউৱুদ ইব্রাহমনা মতম অমদা লোয়নরম্বা মীওই অদুনা হায়, মহাক সরেন্দর তৌবা নত্তে ইন্দিয়াদা হনবা পাম্মী। অদুম ওইনমক জিম্বাৱেদদি চৎনিংদে হায়না ফোংদোরক্লি।

রাজন ইন্দিয়ানা পাম্লা থিরিবা মীওই অমনি। মহাক ইন্দোনেসিয়াগী মরুওইবা টুরিষ্টশিংগী পম্বুংফম অমদগী ইন্টরপোলনা রেদ কোন্নর নোটিস থোকখ্রবা মতুং ফাগৎখিবনি। মহাক চহি ২০ হেন্না মীরোৎ ওইরকখ্রবনি। কেস ৭৫ দা চেন্নবদা নত্তনা টাদাগী মখাদা কেস ৪ সু মায়োক্লরিবা মীওইনি হায়রি।

# সরদার বল্লবভাই পটেলগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টরনা 'রন ফোর য়ুনিটি' লমথারগনি

**ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৯ঃ**
লৈবাক অসিগী হোম মিনিষ্টর ওইরম্বা সরদার বল্লবভাই পটেলগী ১৪০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা রাজপঠতা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা 'রন ফোর য়ুনিটি' লমথারগনি। প্রাইম মিনিষ্টর য়াওগদবা অখন্নবা থৌরম অদুগীদমক অখন্নবা চেকশিন থৌরাং সরকারনা লৌখৎখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওইবা পাউগী লিখুন অমনা ফোংদোরক্লি।

আইরন মেন ওফ ইন্দিয়া হায়না খঙনবা দরদার বল্লবভাই পটেলগী মপোক কুমওন থৌরম অদু জাতিদা কখোকপগা লোয়নননা রন ফোর য়ুনিটি পাঙথোক্কনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মমাং চহিদা ফোংদোকখিবা লৈখি।

সরকারনা রাজপঠদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি। ওক্টোবর ৩০ গী ওফিস মতম লোয়বদগী হৌরগা মফম অদুদা লৈবা বিল্ডিংশিং হাংহন্দুনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি।



প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডি

থিংজিনগদবা বিল্ডিংশিং অদুগী মনুংদা সাউথ ব্লোক, নোর্থ ব্লোক, রেল ভৱন, সি এস আই আর বিল্ডিং, কৃষি ভৱন, সাস্ত্রি ভৱন, নেসনেল অরকাইব এন্দ ইন্দিরা গান্ধি নেসনেল সেন্টর ফোর আর্ট, নেসনেল মেডিয়া সেন্টর, নিতি আয়োগ, আর বি আই, সদার পটেল ভৱন, শ্রাম শক্তি ভৱন, দালহৌসি রোড, কৃষ্ণ মেমন মার্গ, দি আর দি ও ভৱন, বায়ু ভৱন অমসুং সেনা ভৱন য়াওরি।

উদয়োক ভৱন, নিরমন ভৱন, জৱাহরলাল নেহরু ভৱন অমসুং নেসনলে ম্যুজিয়মনচিংবা মফম কয়াসু থিংজিনগদবা মফমশিংগী মনুং চল্লি। হায়রিবা মফমশিং অদু হয়েং নুমিদাংৱাইরম ওফিস অৱার লোইখিবদগী হৌরগা মথংগী নুমিৎ থাংজগী অয়ুক পুং ৯.৩০ ফাওবা অথিংবা থমগনি হায়রি।

# ইজরেল লান্মীদা থাঙনা থিল্লম্বা পেলেষ্টাইন মচা অনি কাপ্পুনা হাৎখ্রে

**জেরুসালেম, ওক্তোবর ২৯ঃ**
ইজরেলগী ৱেষ্ট বেঙ্ক টাউনগী মনুং চনবা অবুদিষ্টতা শেল্লিবা শম্বল পেলেষ্টাইন খোঙজংলোয়শিংনা নুংথং পায়দুনা মখুল অমা শেমনবা হোৎনখি। অদুগা অতোপ্পা কয়ানা শম্বল অদু কাখৎতুনা ইজরেল লান্মীশিংগা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা খুৎ থোক্লখি।

ইজরেল পার্লিয়ামেন্টরি পুলিসনা মখোয়গী লান্মী অমদা থাঙনা থিল্লম্বা পেলেষ্টাইন মচা অদু ৱেষ্ট বেঙ্কতা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে। লমদম অদুদা থা ১ রোমদগী হৌনা খুৎ থোক্লবগী ফিভম অমা লাকখিবনি। পেলেষ্টাইন খোঙজংলোয়শিংনা ইজরেলনা খারিবা ৱালদা নুঙথং শিজিন্নদুনা অহোবা মখুল অমা ফাৎতোক্লবা হোৎনখি। অদুগা কয়া অমনা শম্বল অদু ৱাংমা লান্না চংশিল্লকখি।

ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সনা শগোলশেল নুমিৎতা ৱেষ্ট বেঙ্ক খুদুম চন্দুনা লৈরিবা পেলেষ্টাইন মচা অনি নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি হায়না পুলিস অমসুং লান্মীগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোংদোরক্লি।

ৱেষ্ট বেঙ্ক সহরগী হেব্রোন্দা মমাংদা থোকখিবা থৌদোকশিংগুম্না লান্মীদা থাঙনা থিন্দুনা এটেক চথরকখি। হায়রিবা মফম অদু পুলিস অমসুং লান্মীগী মীওইশিংনা পেলেষ্টাইনগা থংনরিবা ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাজিনখ্রবা মতুংদা থোকখিবনি।

ইং ২০১৪ দা গাজা লমদমদা লান থোকপনা মরম ওইরগা হিংশাগী থৌদোক কয়া শন্দোরক্লি। মদুগী শরুক অমা ওইনা ধর্ম্ম অমসুং রাজনিতিগী লমদা মুস্লিম অমসুং জিয়ুজগী মরক্তা জেরুসালেম মুন্নবগী উংখৎনবা কয়া থোক্লি।

জেরুসালেমগী অল-অকসাদ প্লাজাদা ধর্ম্মগা মরী লৈনবা জিয়ুজ কয়া লাকপা হেনগৎলক্লি। ইস্লামগী খ্বাইদগী শেংলবা মফম সাউদি আরাবিয়াগী মতায়দা লৈবা জুদাইজমগী বিব্লিকাল লাইশঙ অনিদা মমাংদা মাঙহন-তাকহনখিবসু লৈখ্রে।

হিরম অদুগী মতাংদা পেলেষ্টাইন মচাশিংনা ইজরেলদা চৎন-কাঙলোন থুগাই হায়না মরাল শীরি। ষ্টেটস কোগী মতুংইন্না জেরিসশিং লাই খুরুম্বা থিংলিবনি। জেরুসালেমগী ৱালেট ওল সিটিদা মতম শাংনা চৎনরক্লবা নিয়মশিং ঙাক্লনবা ইজরেলনা তকশিল্লি। হায়রিবা ধর্ম্মগী লাইফম অদুগী মনাক্তা থাঙনা থিনবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

পেলেষ্টাইনগী হেব্রোন্দা থোকখিবা থাঙনা থিল্লম্বগী থৌদোক অদুদা লান্মী ২ শোকখি। মদুগী মতুংদা পার্লিয়ামেন্টরি পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা পেলেষ্টাইন মচা অমা শিখিবনি। পুং অমগী মতুংদা নক্লবা মফম অমদা ইজরেল লান্মীদা থাঙনা থিন্দুনা হাৎননবা হোৎনখিবা অনিশুবা পেলেষ্টাইন মচা অমসু নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

ওক্টোবর ১ দগী হৌরকখিবা ঈরাং অদুদা ইজরেলগী ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং গাজাদা য়ামদ্রবদা পেলেষ্টাইন মচা ৬১ ইজরেল লান্মীনা হাৎখ্রে। লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বনা থাঙ পায়দুনা মী হাৎননবা হোৎনখি অদুগা খরনা নোংমৈ পায়দুনা মী হাৎননবা হোৎনরকখিবনি হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বা চহি নৌরিবা মীওইশিংনি হায়রি।

# বিহার মীখলদা মায়থিরগনি হায়বা প্রাইম মিনিষ্টরনা খঙজরবনি ঃ রাহুল গান্ধি

**কিষানগঞ্জ, ওক্টোবর ২৯ঃ**
বিহারদা চাউনা চুংশিন্নরিবা কাঙবুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা অপঙবা অহুম হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লদুনা হায়, মোডিগী ৱাফম অদুনা তাক্লিবদি মখোয় বিহার মীখল অসিদা মায়থিরগনি হায়বা খঙজরে হায়বনি।

মোডিনা বিহারগী মীখল অসি শোয়দনা মায়থিরগনি হায়বা উরবনি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক্লা চাউনা চুংশিন্নরিবা কাঙবুশিং ফত্তবা লাই অমসুং পাঙদবা অহুম হায়না ফোংদোকপনি। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অমনা অদুগুম্বা ৱাঙাং ঙাঙলক্কনি হায়বসি থাজনিঙাই ওইদবা অমনি হায়না কংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা ঙসি বিহারদা পাঙথোকপা মীখলগা মরী লৈনবা মীফম অমদা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্লা মখা তানা ফোংদোকখিবদা বিহারগী চাউনা চুংশিন্নরিবা কাঙবুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অকনবা মওংদা লান্দাবগী থবক চথরি। পাঙদবা অহুম হায়বা লোন্দা শিজিন্নদুনা বিহারগী চিফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা অকনবা লান তাবগী মওং চৎখে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা জনাতা দল য়ুনাইটেদকী লুচিংবশিংদা হায়রোইদবা ৱাফম কয়া হায়রি। রাহুল গকান্ধিনা সরকার অসিবু নমথাক তৌবা সরকারনি হায়না তত্তনা ফোংদোকখিবা লৈখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা লায়রবশিংদা পীবা য়াবশিং পীগনি হায়না চাউনা ৱাশকখিবা লৈখি। অদুম ওইনমক থবক ওইনা পাঙথোকপদি ঙমদ্রি। লায়রবশিংগী চকখাও হাংলি। মসিনা মরম ওইরগা মহাকপু চরাম্নরিবা সাহেব হায়রোইদবগী মরম করি লৈবগে। মহাক্লা হৱাই অমসুং চানা চিঞ্জাকশিংগী মমল কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রে। মীখলগী মতমদা মীয়ামদা অচৌবা ৱাশক কয়া শক্তুনা নমথাক তৌখি। ঙসিদি মীয়াম অদুগুম্বা ৱাশক্কী লাং অদুদা তাররোইসি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা আর এস এস পু রিমোর্ট কন্ট্রোল পায়দুনা শিজিন্নরি। মোডিনা অনিশুবা ইন্দিয়াগী মীয়ামগী মায়োক্তা লৈগদবা থৌশিল পায়খৎলি। অদুম ওইনমক অদুগুম্বা থৌশিল অদু বিহারদদি শাথিনা ফেল ওইরে। প্রাইম মিনিষ্টরনা মীনম্বা ঙাঙবগী মহুত্তা নিটিস কুমারগুম লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক থবক তৌবা চুমগনি হায়না কিষানগঞ্জদা পাঙথোকপা মীফম অদুনা ফোংদোকখ্রে।

বিহারদা এন দি এ গী লুচিংবশিং মায়থিরগনি খনবদগী লাকশিনবা ঙমদবা ৱাঙাং কয়া ঙাঙলি। মখোয়না বিহারদা চাউনা চুংশিন্নরিবা কাঙবুনা মায় পাকখ্রগনি হায়বা খঙলবনি। হায়নিংলিবদি সরকার অসি মীয়ামগীদমক লৈবা সরকার অমরা নত্রগা শেঞ্জাও পায়বা অহাওবা চাবা মীওইশিংগীদমক লৈবা সরকাররা হায়নসু হংখি।

রাহুল গান্ধিনা ঙসি মধুবানি, কিষানগঞ্জ অমসুং কাটিহারদা পাঙথোকপা মীখলগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা মীফমশিংদা ৱা ঙাঙখি।

# মাইগ্রেন্ট ৱাথোক ঃ গ্রিস সমুদ্র খোঙবান্দা হি লাকশিনবদা ১০ শিরে, ৩৮ থিবা খঙদ্রে



গ্রিক্কী ঈথৎ লেসবোসতা নিংথমথাগী অহিংবা মরক্তা চংশিল্লকখিবা অঙাং কনবা

**এথেন্স, ওক্তোবর ২৯ঃ**
নোংপোক থংবা এজিয়ান সমুদ্রগী গ্রিক ঈথৎ মনাক্তা হি ৪ লুপখিবদা অঙাং য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ লৈখিদ্রে অদুগা মীওই ৩৮ না থিবা খঙখিদ্রে।

ঈশিংগী শরুক অদুদগী লুপখ্রবা হিশিং অদুদাপুরকপা মীওই ২৪২ গ্রিক কোষ্ট গার্দনা ঙসি অয়ুক কনবা ঙমখি। টর্কিদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা খোঙচৎ অমদা নুমিৎ খুদিংগী মীওই লিশিং কয়া গ্রিক্কী ঈথৎ লেসবোসতা মীওই লিশিং কয়া চংশিল্লক্লি।

চৈরকসিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ঈশিংগী লম্বীদা চংশিল্লকখিবা মীওই ১০৪২ ইটালি ওথোরিটিনা লিভিয়া সমুদ্র খোঙবান্দগী কনখ্রে। য়ুমশাকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্তা তোঙান-তোঙানবা মফম ৭ তা মী কনবা থবক চথখি হায়না ইটালিয়ান মেডিয়ানা রিপোর্ট তৌরক্লি। বৃটিস, আইরিষ্ট, জর্মন অমসুং স্লোভেনিয়াগী নেভিগী জহাজশিংসু লিভিয়া সমুদ্র খোঙবান্দসু মী কনবগী থবক অদুদা শরুক য়াখি হায়না ফোংদোরক্লি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা হি লুপখিবগী থৌদোক অদুদা মীওই ৩৮ থিবা খঙদনা লৈরি। মীওইশিং অদু গ্রিক্কী ঈথৎ লেসবোজগী ঈশিংগী লমদা উনা শাবা হি তোংদুনা চংশিল্লকখিবনি হায়না গ্রিক ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোরক্লি।

য়ু এন গী মতুংইন্না লান নংলবা সিরিয়াগী মীওই লাক্ষ ৭ লোম হিগী লম্বীদা লাক্তুনা য়ুরোপ্তা চংশিনখি। নিংথমথাগী মতম ওইশিল্লকপা অসিনা মীওই কয়া চংশিল্লকপা অদু শরুক খরা হন্থরক্লে।

জর্মনগী ফোরেন মিনিষ্টর ফ্রেঙ্ক ৱালটর ষ্টেনিয়ারনা লৈপাকপোকপা নুমিৎ এথেন্সতা লাক্তুনা গ্রিক ওথোরিটিদা পাঙবা য়াবা মতেং পাঙগনি হায়না ফোংদোক্লমখি। হৌজিক হৌজিক গ্রিসতা মীওই কয়া থোমজিল্লকখিবা অদুনা মরম ওইরগা শেল-থুমগী ওইবা পোৎলুম অমা মায়োক্লরে হায়না গ্রিক পাউচে টা নিয়া না রিপোর্ট তৌরক্লি।

গ্রিক্কী প্রাইম মিনিষ্টর এলেক্সিস সিপ্রাস অমসুং ফেরেন মিনিষ্টর নিকোষ্ট কোটজিয়ানা লৈবাক অদুদা মপান লৈবাক্তগী মীওই কয়া থোমজিল্লকপনা মরম ওইরগা থোক্লিবা খুদোংচাদবা অমসুং থৌশিল কয়া পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

# আখিলেস যাদবনা মিনিষ্টর ৮ লৌথোকখ্রে

**লক্ষনৌ, ওক্টোবর ২৯ঃ**
উত্তর প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টর আখিলেস যাদবনা ঙসি মহাক্কী কেবিনেটতগী মিনিষ্টর ৮ লৌথোকখ্রে।

সমাজৱাদি পার্টিগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোংদোরকখিবদা চিফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টর ৫ অমসুং ষ্টেট মিনিষ্টর ৩ ফম লৌথোকখ্রে। আখিলেসকী কাঙবুনা ইং ২০১৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অদুগী মীখলগা মরী লৈননা থবক অদু পায়খৎলকপনি হায়না লৌই। থৌওং অদুনা উত্তর প্রদেশ সরকারদা মিনিষ্টরশিং মনিং মখা তমহন্দুনা থপ্লে হায়বা অদুগী মতাংদা অকনবা মেসেজ অমা মীয়ামদা পীরবনি।

বিহার মীখল মথং থাদা লোয়রবা মতুং উত্তর প্রদেশকী ষ্টেট কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টর এক্সপান্দ তৌবা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ আখিলেসনা য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা পীখিবসু লৈখ্রে।

বিহার মীখল লোয়শিনখ্রবা মতুং মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা রি-সফল তৌগনি হায়না পাউমীশিংনা হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা ফোংদোকখ্রে। চিফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অদুগী গভর্নর রামনায়ক্কসু মহাক্কী মন্ত্রি-মন্দল চাউথোকপগী মতাংদা ঙরাং য়ুমশাকৈশা নুমিৎতা উনখ্রে হায়রি।

# অকৌবা ফিজোল শেৎপী নুপী অমা ওথোরিটিনা এরোপ্লেন তোংহনখিদ্রে

**মুম্বাই, ওক্টোবর ২৯ঃ**
য়েংবা নুংঙাইতবা অকৌবা ফিজোল শেৎপী নুপী অমা ইন্দিগো এয়ারলাইন্সনা প্লেন তোংহনখিদ্রে। নুপী অদু হান্না ইন্দিগোদা থবক তৌরম্বা মীওইনি। মহাক্লা খু মথক্তা লৈবা অকৌবা ফ্রোক শেৎলকখি। মহাক্কী মবুং অমসু হৌজিক হৌজিক ইন্দিগোগী থৌমী ওইরি।

নুপী অদুনা এয়ারলাইন্সতা থবক তৌবা মীওই অমগী ইমুং মনুংদা পীগদবা ফ্রি টিকেট পায়দুনা চৎননবা হোৎরমখিবনি। এয়ারলাইনগী ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোরকখিবদা ষ্টাফ অমদা পীগদবা খুদোংচাবা অদু লৌদুনা চৎননা হোৎনরমখি। এয়ারলাইন অদুনা পীবা শেৎ-চাবগী নিয়মশিং অদুগুম্বা খুদোংচাবা ফংবা ষ্টাফশিংনা ঙাক্কদবনি হায়বা নিয়ম লৈ হায়রি।

নিয়ম অদুগী মতুংইন্না খু য়ৌনা কুপ্পা ফিজোল শেৎকদবনি। অদুম ওইনমক এয়ারলাইন অদুগী থৌমী নত্রগা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা অদুগুম্বা ফিজোল অদু শেৎত্রবদি খামদুনা ৱাহং হংবা য়াই হায়রি।

নুপী অদুনা শেৎলকখিবা ফিজোল অদু চুন্নদবা ফিজোল অমনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোংদোরক্লি। অদুম ওইনমক ফ্রি টিকেটকী খুদোংচাবা লৈতবা মীওইশিংদদি ফিজোল শেৎ-চাবগী নিয়মশিং অদু চৎনদে। থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতা নুপী অদুনা মুম্বাইদগী দিল্লি পাইগদবা এরোপ্লেন অমা তোংননবা হোৎনরম্বদগী থোকখিবনি।

ইন্দিগোগী ষ্টাফ ৩ না মহাকপু এয়ারপোর্ট অদুদা ফারবা মতুং চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না ফিজোল শেৎতবগীদমক ৱাহং পাউহং চথখি। ৱাহং পাউহং চথরিঙৈদা মহাক প্লেন অদু তোংনবগী মতম হেন্দোকখি। ফিজোল হোংদোক্লবা মতুং মহাক অতোপ্পা ফ্লাইট অমদা তোংহনখি হায়রি।

ꯀꯤꯃꯦ ꯇꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯥꯜꯁ Regd. No. : 456/M/SR/2010
KIME TUTORIALS
MTG BOOKS
An Institute Collaborated with MTG Books, New Delhi
Singjamei Chingamathak, Imphal
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
Day Boarding for revision class X Exam, 2016 — Classes Starting on : Dec, 2015
Day Boarding for revision class XII Exam, 2016 — Classes Starting on : Dec, 2015
Foundation Course for Class X 2016 — Classes Starting on : Dec, 2015
• Printed probable questions & answers • Regular Test series on alternate days
• Self study hour under the guidance of expert daily • Van service & Hostel facility are available
Day Boarding Timing : 10am-4pm (Refreshment will be provided)
For more details contact Office of KIME TUTORIALS
SL/

## In the Court of Sub-Deputy Collector, Moirang

*Ref. :- Mutation Case No. 1. 427/SDC/M/ 2015*
*2. 428/SDC/M/ 2015*
*3. 429/SDC/M/ 2015*
*4. 430/SDC/M/ 2015*

1. Khuraijam Surajkumar, ' President' Meitei Presbytery Society.
2. Soibam Nabakishwar ' Secretary' Meitei Presbytery Society.

*- Petitioners*

*-Vrs-*

Rev. Laldailova, Secy, Manipur Presbytarain Mission War Cemetary Road, Imphal.

Loktak Christain Model High School, Moirang Lamkhai.

Manipur Presbytarian Mission Lalkhumang Secy., Moirang Lamkhai

Manipur Presbyterian Mission Rev. , Sanmankhura Secy. War Cemetary Road, Imphal

***Opp.***

**N O T I C E**

*Moirang, the 28th October, 2015*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গা মরী লৈননা থোকপা নোটিশ অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি পাট্টা নং ১) ৪৭৩ / ৯৩৪ / ১৯১৩ (অনৌবা) দাগ নং ২৫০৫ / ২৬৩৪, ২৫৭৬ / ২৬৩৫ গী এরিয়া ০.১৪, ০.১৫, ০.১৯ একর ইংখোল (২) ৯৮৯ / ১৯৪১ (অনৌবা) দাগ নং ২২৪৭ / ২৭৯০ এরিয়া ০.৫০ ফৌরেল (৩) ৯৫৪ (অনৌবা) দাগ নং ২৩৭৭ অমসুং ২৫৭৯ গী এরিয়া ১.২৩ অমসুং ০.২২ ইংখোল (৪) ৯৫২ / ১৬৮৫ (অনৌবা) দাগ নং ২৫৭৮ / ২৬৭৬ কী এরিয়া ০.১১ একর চাউবা খুল নং ৫১-ঙাংখলৱাইদা পাল্লম্বা পাট্টাদার মশানা হিংলিঙৈ মতমদা মথক্কী দংকারি অনিসিগী মিংদা ওল্লোকপীরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। কনাগুম্বা য়ানিংদবা মীওই লৈরদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ তরেৎ (৭) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা য়ানিংদবগী ৱারোলদু দরখাষ্ট থারগদবনি। লাক্তবা থোক্লবদি কোর্টনা হৌনবী মতুং ইন্না হুকুম তাগনি।

*Sd/-*
**Sub-Deputy Collector**
Moirang
*SL/C/4056/30*

## In the Court of the Sub-Deputy Collector Porompat Imphal East, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 773/SDC/P of 2015*

**1. Md. Muffijur Rahman (Minor)**
Mata (L) Najima Begum of Keikhu Maning Leikai
2. re presented by Md. Abdul Noor S/o (L) Abdur Rahman of-do-

***- Petitioner***

***-Vrs-***

**Abdur Rahman S/o (L) Rahmatullah of Keibi**

***- O.P.s***

**NOTICE**

*Porompat, the 29th October, 2015*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খংহল্লি মদুদিঃ-Imphal East Porompat Circle গী Village No. 42- Nahrup গী Patta No. 68 (অরিবা) 64 (অনৌবা) C.S. Dag No. 299 an area .64 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোইননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খংহল্লি। নত্রগদি Court কী হৌনবী মতুংইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-*
Sub-Deputy Collector, Porompat
Imphal East, Manipur.
*SL/C/30*

## In the Court of the Sub-Deputy Collector Porompat Imphal East, Manipur

*Ref. :- Mutation Case No. 674/SDC/P of 2015*

**Laishram Surjit Singh**
S/o (L) Nandakumar Singh of Brahmapur Aribam Leikai

***- Petitioner***

***-Vrs-***

**L. Nandakumar Singh**
S/o (L) Leiren Singh of Brahmapur Aribam Leikai

***- O.P.s***

**NOTICE**

*Porompat, the 29th October, 2015*

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খংহল্লি মদুদিঃ-Imphal East Porompat Circle গী Village No. 38- Wangkhei Panchim গী Patta No. 137/ (Angsh) (অরিবা) 525/1102 (অনৌবা) C.S. Dag No. 318/748 an area 0.075 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোইননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খংহল্লি। নত্রগদি Court কী হৌনবী মতুংইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-*
Sub-Deputy Collector, Porompat
Imphal East, Manipur.
*SL/C/30*

সনা-সুদোকু- ৪৫৮ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 1 | 9 | 2 | 8 | 3 | 7 | 4 | 5 |
| 3 | 4 | 8 | 7 | 5 | 6 | 1 | 2 | 9 |
| 7 | 5 | 2 | 4 | 9 | 1 | 3 | 6 | 8 |
| 8 | 7 | 3 | 9 | 6 | 4 | 5 | 1 | 2 |
| 9 | 2 | 5 | 1 | 7 | 8 | 4 | 3 | 6 |
| 1 | 6 | 4 | 3 | 2 | 5 | 8 | 9 | 7 |
| 2 | 3 | 7 | 5 | 1 | 9 | 6 | 8 | 4 |
| 5 | 8 | 1 | 6 | 4 | 2 | 9 | 7 | 3 |
| 4 | 9 | 6 | 8 | 3 | 7 | 2 | 5 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-459**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | | | | 3 | |
| 6 | | | | 1 | | 4 | | |
| | 8 | | | | 9 | | 5 | |
| 4 | | | 2 | | | | 6 | |
| | 5 | | | | | | 4 | |
| | | | 8 | | 5 | | 1 | 7 |
| | 6 | | 7 | | | 8 | | |
| | | 3 | | 5 | | | | 4 |
| | 9 | | | | | 6 | | |